# সুনন্দ পুস্কারগী কেস ক্রাইম ব্রাঞ্চতা ট্রান্সফর তৌখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৩ ঃ** চৎলিবা থা অসিগী জনুৱারি ১৭তা দিল্লিগী ফাইভ ষ্টার হোটেল লীলা পেলেসকী কা অমদা অঙকপা মওংদা শিদুনা লৈরমখিবা সুনন্দ পুস্কারগী কেস অদু ক্রাইম ব্রাঞ্চতা ট্রান্সফর তৌখ্রে।

লৈখিদ্রবী সুনন্দ পুস্কার য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সশি থারুরগী লোয়নবীনি। থৌদোক অদু দিল্লি পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা থীগৎলগনি হায়না টোপ পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোরক্লি।

ক্রাইম ব্রাঞ্চনা সুনন্দ পুস্কারগী মীশি অদু থীগৎলগনি। মদু মমাঙদদি দিল্লি পুলিসনা য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি হায়না দেপ্যুটি কমিশ্নর ওফ পুলিস বি এস জায়সৱালনা ফোঙদোরক্লি।

চৎলিবা থা অসিগী জনুৱারি ১৭তা দিল্লিদা লৈবা লীলা পেলেস ফাইভ ষ্টার হোটেল অমগী কাদা অঙকপা অমসুং চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মহাক শিদুনা লৈরমখিবনি।

ক্রাইম ব্রাঞ্চকী ওফিসিয়েল–শিংনা কেস অদু মকোক্তগী হৌনা থীগৎপগী থবক চথরগনি। হোটেলগী ষ্টাফ, ইমুং মনুংগী মীওইশিং, মরুপ–মপাংশিং অমসুং মিনিষ্টর থারুর য়াওনা মীওই কয়াদা ৱাহং–পাউহং চথগনি হায়রি।

# অৱাং নোংপোক ভারত্তা মীখলগীদমক কংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ ওইগদবশিং খনবগী থবক চথরি

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৩ঃ** লাক্লিবা লোক সভাগী মীখলগীদমক কংগ্রেস পার্টিনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা মীখল থেংননবা কেন্দিদেটশিং খনগৎপগী থবক পায়খৎপা হৌরে হায়না পার্টি অদুগী সোর্স অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ইলেক্সন কমিশন ওফ ইন্দিয়ানা লোক সভা মীখল অদু চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিলগী ময়ায় থংবা চয়োলদগী হৌরগা ফেজ ৫ নৎত্রগা ৬ থোক্লা মে থাগী অঙনবা শরুক ফাওবদা পাঙথোক্লবা লেপখ্রে।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লোক সভাগী সিট ২৫ লৈ। অসামদা সিট ১৪ অদুগা ত্রিপুরা, মেঘালয়া, মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা সীট অনী অনী লৈরি অদুগা মিজোরাম, নাগালেন্দ অমসুং সিক্কিমদা সিট অমমমখক্তমক লৈ।

লাক্লিবা লোক সভাগী মীখল অসিদা অসামগী সিট ১৪দা কেন্দিদেট ১৩৮ না টিকেট তান্নরি। পার্টি অদুগী ষ্টেট ইলেক্সন কমিটিনা মীরেপ ওইগদব–শিংগী মমিং সেন্টরগী লুচিংবশিংগী অয়াবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা লাউথোক্লবা শেম–শাখ্রেহায়না কংগ্রেসকী স্পোক্সমেন অমনা গুৱাহাটিদা পাউ মীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোক্লরক্লি।

অসামগী সিট ১৪ অদুদা মীরেপ ওইগদবশিংগী মনুংদা অসামগী চিফ মিনিষ্টর তরুন গোগোইগী মচানুপা গৌরব গোগোইগী, সেন্ট্রেল মিনিষ্টর পাৱন সিং গটোৱার, রাণী নরহা, হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সন্তোশ মোহন দেবগী মচানুপী সুসমিতা দেব অমসুং হান্নগী চিফ মিনিষ্টর গোপিনাঠ বোদোলোইগী মচানুপা রোবিন বোদোলোই য়াওরি।


ইং ২০০৯ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা অসামগী সিট ১৪গী মনুংদা কংগ্রেস পার্টিনা ৭ ফংবা ঙমখি। অদুগা বি জে পিনা ৪ অসাম গনপরিষদনা সিট ১, ওল ইন্দিয়া য়ুনাইটেদ দিমোক্রেটিকফ্রন্ট অমসুং বোদো পীপল্স ফ্রন্ট সিট অমমম ফংখি।

ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিটি ওবজর্ভর বোরানা ত্রিপুরা কংগ্রেসকা মীটিং মথং মথং য়ুমশকৈশা অমসুং শগোলশেন নুমিৎতা লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইগদবশিংগী মিং খনগৎনবা পাঙথোকখি।

ষ্টেট অদু সি পি আইনা হৌজিক হৌজিক সরকার পায়রিবা মফম্নি। ত্রিপুরাদা লোক সভাগী মীরেপ ওইননবগীমক ত্রিপুরা য়ুনিভর্সিটিগী অরুনাদোই শাহ, প্রদ্যুট বিক্রম কিশ্বর, অশোক সিনহা, লক্ষমিনাঠ অমসুং বসানা দেবনাঠ মীরেপ ওইননবা থাগৎলক্লি হায়না কংগ্রেস লুচিংবা অমনা পাউমীশিংদা ফাঙদোরক্লি।

লুচিংবা অদুনা হায়খিবদা, পার্টি অদুগী হাই কমান্দগী দিরেক্সন মতুং ইন্না পার্টি অদুগী ষ্টেট য়ুনিটশিংনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা কেন্দিদেট ওইগদবশিংগী মিং লেপথোক্লবা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর, মিজোরাম, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মেঘালয়াদা কংগ্রেসনা সরকার পায়রি। অদুগা ত্রিপুরাদনা সি পি আই (এম) লেফ্ট ফ্রন্টনা সরকার পায়রি। অদুগা নাগালেন্দদনা নাগা পীপল্স ফ্রন্টনা লুচিংবা দিমোক্রেটিক এল্লায়ন্সনা সরকার শেন্নি। অদুগা সিক্কিমদনা সিক্কিম দিমোক্রেটিক ফ্রন্টনা হৌজিক হৌজিক সরকার পায়রিবনি।




# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## ইন্টর্নেটকি মাইলষ্টোনশিং

য়াম্না তেনখ্রবা চহী ১০ খরা হেল্লকপা মতমদা ইন্টর্নেট অসি গ্লোবেল ফেনেমেসন অমা ওইরকখি। ১৯৯৫ তা ইন্টর্নেট অসি মীওই মিলিয়ন ৪৫ রোম্না মালেম অসিগী মনুংদা শীজিন্নখি। ২০০৬ তা হায়রিবা ইন্টর্নেট শীজিন্নরিবা মীওই মশীং অসি পুন্না হান্নগী শরুক অদুদগী তঙ্খাই হেন্না ওইরক্তুনা পুন্না মীওই ১০১৮,০৫৭,৩৮৯ না শীজিন্নখি। হৌজিক্তি হায়রিবা মশীং অসিদগী শরুক অহুমগী মথক্তা হেনগৎলম্বা য়াই। ১৯৬০ গী মতমদা য়ু এস এদা লৈবা সাইন্সটিষ্টশিংনা ওর্গনাইজেসনশিংগী মনুংদা ন্যুক্লিয়র এটেক অদুগী মতুংদা মতৌ করম্না ঈ পাউ ফাওনগদগে হায়বগী মতাঙদা থিজিনবা হৌখি। ১৯৬৫ তা এদভান্স রিছার্স প্রোজেক্ট এজেন্সিনা কম্প্যুটরশিং অমগা অমগা মরী শম্নহনবা য়াব্রা হায়বা ৱাফম হৌদোরকখি। ১৯৬৯ দা য়ু এস কি য়ুনিভর্সিটি মরিদা লৈবা কম্প্যুটরশিং অমগা অমগা শম্নহনখি অমসুং ইহান হানবা ওইনা ঈ পাউ ফাওনবা ঙমখি। ১৯৭০গী শরুক্তনা নেটৱার্ক অসি মথং মথং শন্দোরকপগা লোয়ননা ১৯৭৩ দা কম্প্যুটরশিং লণ্ডন অমসুং নোরৱেগী মনুংদা লৈবা কম্প্যুটরশিং অমগা অমগা শম্নহনখি। হায়রিবা মতাঙ অসিদা কম্প্যুটরশিংগী মরক্তা মেসেজ থানবগী থবক অসিদা ইলেক্ট্রোনিক মেল (ই–মেল) অসি শীজিন্নবা হেনগৎলকখি। ৯৭৬ তা ক্বিইন ইলিজাবেট–ট্না ই–মেল মেসেজ থাবা অহানবা লৈবাক্কী মপুরেনবী অদু ওইখি। ১৯৭৯ দা ওন লাইন দিষ্টক্সন গ্রুপ হায়বদি য়ুজরনেট ন্যুজগ্রুপ অহানবা ওইনা হৌরকখি। ১৯৮০ গী শরুকশিংদা এদভান্স রিছার্স প্রোজেক্ট এজেন্সিগী নেটৱার্ক অসিদা সাইট ২১৩ থম্বা ঙমখি। মসিগী মথক্তা অনৌবা হোষ্ট অমমম নুমিৎ ২০ গী খুদিংগী হাপকৎলকপা ঙমখি। ১৯৮২ দা টি সি পি–আই পি কৌবা কম্মন লেঙ্গুএজ অমা পুথোক্তুনা ইন্টর্নেট কম্প্যুটরশিং অসি অমগা অমগা ঈ পাউ ফাওনহনবা ঙমলকখি অমসুং মদুবু অহানবদা ইন্টর্নেট কৌখি। হায়রিবা চহীগী শরুকশিং অসিদা মীওই কয়া অমনা ইন্টর্নেট শীজিন্নবা অসিগা লোয়ননা করবার লোইশঙশিংদা কম্প্যুটরশিং শীজিন্নবা হৌরকখি। মদুদগী কম্মর্সেল ওইনা ইন্টর্নেট শীজিন্নবসু হৌখি। অসুম অসুম ১৯৯০গী মতমদনা মালেম পুন্বগী ওইবা ৱার্ল্ডৱাইদ ৱেব (দব্লিউদব্লিউদব্লিউ) হায়বসি পুথোরকখি। মসিদা ৱাহে, ফোটোশিং অমসুং খোঙ্গোক অসি সিষ্টেম অমা খক্তদা পুনশিল্লগা পুথোরকপনা মরম ওইরগা মীচমশিংনা ইরাই লায়না খঙবা ঙমখি অমসুং শীজিন্নবসু হৈখি। ১৯৯৪ দা মীওই মিলিয়ন ৪০ রোম্না ইন্টর্নেট শম্বা হৌখি। মখোয়গী মরক্তা ঈ পাউ ফাওনবগী মথক্তা পোৎ চৈ য়োনবা অমসুং কম্প্যুটর অমদগী হেক্তা ফোন লাইন অমদা শল্লগা ৱারী শান্নবা ঙম্বগী শক্তি লৈরকখি। রোল্লিং ষ্টোন রোক গ্রুপ অদুনা ইন্টর্নেটকি খুথাংদা কন্সলট অমা ব্রোদ কাষ্ট তৌখি। মতুং তারকপদদি স্কুলশিংদসু ইন্টর্নেট অসি ইলেক্ট্রোনিক লাইব্রেরি অমা ওইনা শীজিন্নদুনা লাকপদগী ১৯৯৬ তদি লৈবাক ১৫০ দা লৈবা কম্প্যুটরশিং ইন্টর্নেটকি খুথাংদা শম্নবা হৌরকখি।

# অৱাং নোংপোক ভারত্তা খম থেংনা ঈংবগী ফিভম হৌজিকসু মায়োক্লরি

## জম্মুদা লম্বী কয়া চৎপা য়াদনা লৈরি

**শ্রিনগর, জনুৱারি ২৩ঃ** লৈবাক অসিগা কাশ্মিরগা শম্নহল্লিবা জম্মু–শ্রিনগর নেশনেল হায়ৱেদা উন কা–হেন্না তাবা অমসুং নানবনা মরম ওইরগা লম্বী অদুদা চৎকদবা গারীশিং ঙসি শগোলশেন নুমিৎ ফাওবদা থিংজিন্দুনা থমখ্রে।



উন তাবা অমসুং লম্বী নানবা অদুনা মরম ওইরগা কিলোমিটর ৩০০লোম শাংবা হায়ৱে অদুগা চৎকদবা গারী ৯০০লোম পন্দুনা লৈরি। নাগ্রোটা, সিধ্রা, জখানি, উধম্পুর, কুট, চেন্নাই, রামবন, বনিহাল অমসুং জৱাহর টন্নেলশিং ফাওনা চৎকদবা গারীশিং অদু থিংদুনা লৈরি হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

বরামুল্লা–বনিহাল রেল সর্ভিসশিংসু অনীরকশুবা ওইনা থিংজিন্দুনা লৈরি। শ্রিনগরদা য়ুমশকৈশা নুমিৎত্তগী পাইথোক পাইশিন তৌরক্কদবা ফ্লাইটশিংসু উবা ঙম্বগী চাং হন্থবা অমদি লৈচিল থাবা লোয়ননা উন তাবনা মরম ওইরগা থবক অমত্তা পায়খৎপা য়াদনা লৈরি।

লৈবাক অসিগী কোনুং ওইরিবা দিল্লিদা ময়ায় ওইরপ্পা চাংদা নোং তারি। মদুনা মরম ওইরগা মফম অদুদা খ্বাইদগী হেন্না ঈংবগী ফিভম মায়োক্লরি। লমদম অদুদা খ্বাইদগী ঈংবগী চাং অদু ১৩.৫ ডিগ্রী সেলসিয়সনি হায়না রেকোর্দ তৌরি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক ফাওবদা চুখিবা নোংগী চাং অদু ১.৮ মিলিমিটর ওইরি। মদু অয়ুক্কী পুং ৮.৩০ ফাওবদা ফংখিবা দেটাগী মতুং ইন্না ফোঙদো–রকপনি হায়রি। অদুগা নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাংনা চাদা ৯৮ ওইখি হায়রি।

লমদম অদুদা ওইরিবা অঙৈং–অশাগী ফিভম অদু নোর্মেল ওইবা চাংদগী ডিগ্রী ৮ হন্থরবনি। মথংগী নুমিৎতদি সেলসিয়স ডিগ্রী ১৯ দা লৈরবা য়াই হায়রি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফংখিবা দেটাগী মতুং ইন্না দিল্লিদা খ্বাইদগী শাবগী চাং অদু ১৭.৮ ডিগ্রী সেলসিয়স ওইখি। খ্বাইদগী ঈংবা চাং অদুনা সেলসিয়স ডিগ্রী ১২ ওইখি।

হিমাচল প্রদেশকী শিমলা অমসুং মনালিদা ঙসি ফাওবদা লমদম অদুগী চীংশিং অঙৌবা উননা কুপশিন্দুনা লৈরি। শিমলাদা লৈরিবা মীওইশিং অঙৈংবা নুংশিৎ শীৎপনা মরম ওইরগা থক–থক নীকপগী ফিভমদা লৈরি।

লমদম অদুদা খ্বাইদগী ঈংবা চাং অদু ০.১ ডিগ্রী সেলসিয়স ওইখি। অহিং চুপ্পা উন তাশিল্লকপা অদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুদা সেন্টিমিটর ৮ থানা উন তাবগী ফিভম মায়োক্লরি।

মেট দিপার্টমেন্ট মতুং ইন্না শিমলা অমসুং মনালিদা সেন্টিমিটর ৩ থানা উন তারি হায়না ফোঙদোরক্লি। শিমলাগী নক্লনা লৈবা লম কোয়বশিংগী মফম কুফ্রি, ফাগু অমসুং নারকন্দদদি ময়ায় ওইরপ্পা চাংদা উন তারি।

হায় অল্টিচুদতা লৈবা লাহাওল অমসুং স্পিটি, চম্বা, মন্দি, কুল্লু, কিনাওর, সিরমনুর অমসুং শিমলা দিষ্ট্রিক্টশিংদদি ময়ায় ওইরপ্পা চাংদা উন তাখিগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।


ঙসি শগোলশেন নুমিৎ ফাওবদা পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাদদি ঈংবগী চাং হন্থরক্তুনা নোর্মেল ওইবা ফিভমদা লাক্লি। চান্দিগরদা খ্বাইদগী ঈংবগী চাং অদু ৮.৪ ড্রিগ্রী সেলসিয়স ওইরি। মদু হান্না ওইরম্বা ঈংবগী চাংদগী ড্রিগ্রী অনী হেগৎলক্লবনি হায়না চান্দিগরগী মেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা মফমশিং মরু ওইনা পঞ্জাবকী লুধিয়ানা অমসুং পাটিয়ালাদা খ্বাইদগী ঈংবগী চাং অদু ৯.৬ ডিগ্রী সেলসিয়স অমসুং ৯.৭ ডিগ্রী সেলসিয়সতা লৈরি। মদু তপ্পা–তপ্পা নোর্মেল ওইবা ফিভমদা হঙ্গিল্লক্লি।

পঞ্জাবকী কোনুং অমৃটসরদা খ্বাইদগী ঈংবগী রেকোর্দ ওইনা ৯.৮ ড্রিগ্রী সেলসিয়সতা ফংখি। মদু নোর্মেল ওইবা ফিভমদগী হন্থরবনি হায়রি।

# নরেন্দ্র মোদিগী মতাংদা ৱাহং হংলুবা পাউমীদা খূৎপাকনা থারকখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৩ ঃ** হিন্দু লাইনিং চৎপা অহল ওইরবা সাধু স্বামি স্বারুপান সরস্বাতিনা ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিগী মতাংদা ৱাহং হংলকপগীদমক পাউমী অমদা খূৎপাক্লা থাখ্রে।



গেরুৱা মচুগী ফিজোল শেৎপা চহী ৯০ রোম শুরবা সাধু অদুনা পাউমী অমদা খূৎপাক্লা থাখিবা অদু কেমেরাশিংনা রেকোর্দ তৌহৌখি। পাউমী অদুনা নরেন্দ্র মোদিগী মতাংদা ৱাহং হংলুবগীদমক সাধু অদুনা খূৎপাক্লা থারকখিবনি হায়রি।

সাধু অদুনা ফোঙদোকখিবদা, নরেন্দ্র মোদিগী মতাংদা ৱাহং হংলকপগীদমক মহাক্লা অদুগুম্বা থৌওং অদু চথখিবনি। মদু পাউমী অদুনা নরেন্দ্র মোদিবু পাউচেশিংদা য়াওহন্নবা হোৎনবা থৌশীল অমনি।

মীয়াম্না মোদিগীদমক চাউ–থোকচরিবনি। অদুগুম্বা থৌওং অদু মোদিবু ইকায়বা পীনবনি হায়না লৌবগা লোয়ননা সাধু অদুনা অদুগুম্বা থবক অদু চথখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

রাজনিতিগী ওইবা ৱাহংশিং মঙোন্দা হংলক্তনবা মমাঙদা কয়ারক হন্না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা পাউমী অদুনা নরেন্দ্র মোদিগী মতাংদা ৱাহং হংলকপা অদুদা মহাক্কী অশাউবা অদু ফাথবা ঙমদদুনা থৌওং অদু চথখিবনি। অদুম ওইনমক, সাধু অদুনা মহাক্লা চথখিবা থৌওং অদু লাল্লে হায়না হায়বগী ৱাফমদি লৈত্রি।

স্বারুপানন সরস্বাতি দ্বারিকাগী সঙ্কার্য্যসু ওইরিবা মীওই অমনি।

রাজনিতিগী ওইবা ৱাফমশিং মরু ওইনা বি জে পিনা প্রাইম মিনিষ্টিরগী কেন্দিদেট ওইনা খনখ্রবা নরেন্দ্র মোদিগী মতাংদা ৱাহং হংলক্তনবা মমাঙদা কয়ারক হন্না ফোঙদোকখ্রবনি হায়রি।

# রাজপাঠতা রিপল্লিক ডেগী ফুল দ্রেস রিহার্সেল পাঙথোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৩ ঃ** রিপল্লিক ডেদা মীয়ামদা উৎকদবা লৈবাক অসিগী কলচরেল হেরিটেজ, ফায়টর এয়রক্রাফ্টশিংগী কুপ্পে অমসুং আর্ম ফোর্সকী মার্চ পাসকী ফুল রিহার্সেল ঙসি রাজপাঠতা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ফুল দ্রেস রিহার্সেল অদুনা মরম ওইগা ময়াই থংবা দিল্লিদা লম্বী কয়া থৈদুনা চৎহনখি। মরু ওইনা ইন্দিয়া গেটতা লাক্কদবা লম্বীশিং থৈদোকখি।

মিলিটরি অমসুং পুলিস ফোর্স–শিংগী মার্চ পাসশিং অদু রাইসিনা হিল্সতগী রেদ ফোর্দ তম্না চৎখি। অদুগুম্বা খোঙচৎ অদুবু য়েংননবগীমক মীয়াম্না রাজপাঠতা থোমজিন্নরকখি।

ঙসি মাঙজৌননা পাঙথোকখিবা লাম্নীগী হেলিকোপ্টর মরিনা রাজপাঠকী মথক্তা মচু অহুমগী ফিরাল অমসুং আর্মি, এয়র ফোর্স অমসুং নেভিগী ফিরালশিং থেৎতুনা পাইখি।

ইন্দিয়ানা মশাগী ওইবা টেক্নো–লোজিনা পুথোকচবা লাইট কোম্বেট এয়রক্রাফ্ট–টেজাজ, টি–৯০ ভিস্মা টেঙ্ক অমসুং এম বি টি অর্জুন এম কে–টুসু মীয়ামদা উৎখি।

মতমগা চান্নরবা খূৎলায়শিংগা লোয়ননা আর্ম ফোর্স, মিলিটরি ফোর্স অমসুং এন সি সিগী কেদেটশিংনা মপূং ফাবা বেন্দগা লোয়ননা রিহার্সেল অদু পাঙ–থোকখি।

সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মার্চ পাস অমসুং ম্যুজিক বেন্দশিংগী মখোলনা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিনখি।

রাজপাঠতা পাঙথোকখিবা অচৌবা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অমসুং মিনিষ্ট্রিশিংগী টেব্লোশিংসু উৎখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী টেব্লো ১৩, তোঙান তোঙানবা মিনিষ্ট্রি–শিংগী ৫ অমদি দিপার্টমেন্টশিংনা পুথোকপা ফজরবা পোৎলম কয়াসু উৎখি। লোয়ননা কলচরেল হেরিটেজ অমসুং সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা চাওখৎপগী মতাংদসু উৎখি।

# মীখল মতুংদা কংগ্রেস পার্টিনা শিন্নরক্লবদি প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম পায়গনিঃ রাহুল



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৩ ঃ** কংগ্রেস পার্টিনা রাহুল গান্ধিবু প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ অমনি হায়না লাউথোক্লবা তকশিল্লকখিবা লৈখি। অদুম ওইনমক, রাহুল গান্ধিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, পার্টি অদুনা শক্তি পায়রক্লবা অমসুং মহাকপু পোষ্ট অদুগীদমক খল্লক্লবদি ৱাফম অদু খন্নগনি হায়খি।

কংগ্রেস মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদবা মীওই অদু মীখল মতুংদা খনবা চৎনৈ। শক্তি পায়রক্লবা মতুংদা মহাকপু প্রাইম মিনিষ্টর ওইননবা পার্টি অদুনা খঙহল্লক্লবদি ৱাফম অদু মপূং ওইনা খন্নগনি হায়না ঙসি অমেঠিদা নুমিৎ নীনিগী ওইনা পাঙথোকপা টুর প্রোগ্রামগী অরোইবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

খ্বাইদগী ৱাংবা পোষ্ট অদু পায়ননবা থৌরাং তৌদুনা লৈরব্রা হায়বা ৱাহং অমদা রাহুল গান্ধিনা হায়খিবদা, হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা মনমোহন সিংহসু ইলেক্সন মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইননবা খনখিবনি।

কংগ্রেস পার্টিগী চৎনবী অমা ওইনা মীখল মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর খনবগী ৱাফম লৈতে। প্রাইম মিনিষ্টর খনবা হায়বদু মীখল মায় পাক্লক্লবা এম পিশিংনা খনগদবনি।

মীখলদা প্রাইম মিনিষ্টরগী নোমিনি ওইনা মীখল থেংনবা হায়বদু দিমোক্রেসিগী অচুম্বা মচৎ অমা নত্তে। মদু মীওই অদুগী পর্সনেলিটিদা য়ূম্ফম ওইবনি হায়খি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা কংগ্রেস ৱার্কিং কমিটিগী মীফমদা রাহুল গান্ধিবু লাক্লিবা লোক সভাগী ইলেক্সন্দা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা পুথোক্লবা লুচিংবা কয়ানা হায়রকখিবা ৱাফম অদু পার্টি অদুগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধিনা রিজেক্ট তৌখি। মদু পার্টি অদুগী মমাঙদগী চৎনদুনা লাকপা মচৎ অমদা য়ূম্ফম ওইবনি হায়রি।

# ভটকালগী উকিলদা অন্দর ৱার্ল্ড দোন পূজারিনা কিহল্লকখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৩ ঃ** ইন্দিয়ন মুজাহিদিনগী কো–ফাওন্দর অমসুং টেরর এটেক কয়াগীদমক কোর্টশিংদা ত্রাইয়েল চত্থবদা য়াসিন ভটকালগী উকিলদা অন্দর ৱার্ল্ড দোন রবি পূজারিনা কেস লেপ্তনবা কিহল্লক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

এদভোকেট এস এম খাননা য়াসিন ভটকাল অমসুং মহাক্লা নক্লবা অসাদুল্লাহ অকটারগী উকিল ওইদনবা অন্দর ৱার্ল্ড দোন পূজারিনা কিহল্লকপগী ৱাফম অদু দিল্লি হায় কোর্টকী চিফ জষ্টি অমদি দিল্লি পুলিস কমিশ্নরদা অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখ্রে হায়রি।

ক্রাইম নেচরশিংদা চেন্নবশিংগী দিফেন্দর ওইবা অদু পাপ অমা নত্তে। মদু উকিল অমনা ফংফম থোকপা হক অদুনি। অদুগা এক্যুজ অদুগীসু হক অমনি। লোয়ননা মঙোন্দা পীরক্লিবা অকি–তুজুংবগী ৱাফম অদু জষ্টিসকী এদমিনিষ্ট্রেশন্দা খূৎ থিংজিনবনি হায়না ফোঙ–দোরক্লি।

উকিল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্তি মহাক্কী শিনফম অদু তৌফম থোকপা অদু তৌরিবনি হায়রি। মহাক্লা চিফ জষ্টিসতা পীখিবা চিঠি অদুদা ওইরক্লিবা ফিভম অদু য়েংলগা চপ চাবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

# য়ু এন এৱার্দ ফোর সষ্টেনেবল টুরিজম কেরলানা লৌখ্রে

**থিরুবন্থপুরম, জনুৱারি ২৩ ঃ** কেরলা টুরিজমনা টুরিজমগী লম্দা তোঙান তোঙানবা শীংথানিংঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপগীদমক য়ু এন এৱার্দ ফোর সষ্টেনেবল টুরিজম পীখ্রে।

হায়রিবা মনা অদু ইন্দিয়াগী ওইনা ফংবা অহানবনি হায়রি। ষ্টেট অদুনা পৃথিবীগী মীয়াম্না শীংথা–নিংঙাই ওইরবা বেক ৱাটর রিজোর্ট কুমারাকোমদা পায়খৎখিবগীদমক মনা অদু পীরকখিবনি হায়রি।

মনা অদু য়ুনাইটেদ নেশন ৱার্ল্ড টুরিজম ওর্গনাইজেশন্না টুরিজমগী লম্দা খ্বাইদগী ফবা অমদি অনৌবা হৌদোকপশিংবু পূক্নিং থৌগৎতুনা পীবনি। ঙরাং স্পেনগী মাদ্রিদতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মনা অদু কেরলা টুরিজমদা পীখি।

হায়রিবা মনা অদু সরকারগী বোদি অমা ওইরিবশিংনা গ্লোবেল টুরিজমগী মতাংদা অনৌবা হৌদোকপা শীংথানিংঙাই ওইবা থবকশিং য়েংলগা পীবনি। কুমারাকোমদা কেরলা টুরিজমনা পায়খৎখিবা শীংথানিংঙাই ওইরবা টুরিজম প্রোজেক্ট অদু মায় পাক্লা পাঙথোক্লবগীদমক খূৎশিন্নরক–খিবনি হায়রি।

**PENSION BOOK LOST**

I have lost my Pension Book bearing PPO No. SM/16015, on my way from Imphal Treasury Office to Keirao Bitra, Imphal East, on 17th January, 2014 after taking photograph at Imphal Treasury Office.

If anybody found it, kindly handover the same to the undersigned.

**Taorem Ibohal Singh**
Keirao, Bitra, Imphal East
Contact 0385-2571318,
9862032041

SL/1151/24,25